# মেনপেককী শিন্থা লেপ্পগী খোঙজংনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীখ্রে

## মহৈরোইশিংনা কংলা মমাঙদা হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (এস এন এস) ঃ অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল (সি এ বি) চৎনবা য়ারোই হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা দিসেম্বর ৯ গী অঙনবা অয়ুক পুং ১ দগী দিসেম্বর ১১ গী অঙনবা অয়ুপ পুং ৩ ফাওবা মণিপুর পিপলস এগেনষ্ট সি এ বি ( মেনপেক) না শীন্দুনা চঙশিনখিবা মণিপুর পূম্বা শিন্থা লেপ্পগী খোঙজংনা ঙসি লমদম অসিগী মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা য়াম্না চাউনা অকায়বা পীখ্রে।

খোঙজং অসিনা মরম ওইরগা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী কৈথেল ফম্বীশিং কৈথেল কানখিদ্রে। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোয়বদা লৈবা দুকানশিংসু থোঙ লোনখি। লম্বীদা লন্নাই গাড়ী খরখক নক্তনা পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌবা গাড়ীশিং অমত্তা চেন্নখিদ্রে। লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা ইমপ্লোইয়ীশিং থবক কান্নবগী চাং য়াম্না হন্থখি। লোয়ননা লৈঙাক্কী অমদি লন্নাই স্কুলশিং থোঙ হাংনরবসু মহৈরোইশিং লাক্লখিদ্রে।

খোঙজং অসিনা মরম ওইরগা বেঙ্ক অমদি পেট্রোল পম্পশিং থোঙ হাংনখিদ্রে। হরাউ কূম্হৈগী থৌরমশিং অমত্তা পাঙথোক্লখিদ্রে। মেনপেককী শিন্থা লেপ্পগী খোঙজং অসি ষ্টেট অসিগী অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরশিংদসু চাউনা মমি তাখি।

মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা সি এ বি চৎনবা য়ারোই হায়না মেনপেকনা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুবু শৌগৎলদুনা টেম্পরেরি মার্কেটতা কৈথেল ফম্বী ইমাশিংনা ৱাকৎ মীফম চংখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ইমাশিংনা মণিপুরদা সি এ বি চৎনবা য়ারোই, লোং লিভ মণিপুর হায়বনচিংবা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।

নাকল অমরোমদা মহৈরোইলুপ ওল মণিপুর ষ্টুডেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) না শীন্দুনা মেনপেককী খোঙজং অসিবু শৌগৎলদুনা মহৈরোইলুপ অসিগী ভোলুন্টিয়রশিংনা অঙনবা অয়ুক্তা কংলা মমাঙদা হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোঙজং চঙশিনখি। খোঙজং অদুদা মহৈরোইশিংনা সেন্ট্রেল গর্ভর্ণমেন্ট দাউন দাউন, বি জে পি গর্ভর্ণমেন্ট দাউন দাউন, অৱাং নোংপোক্তা সি এ বি চৎনবা য়ারোই, ৱি ওপোজ সি এ বি, লোং লিভ মণিপুর হায়বনচিংবা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।



# সি এমনা লমদেংগী সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লান্ট য়েংশিনখ্রে

## সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী প্রোৱ্লেম লৈহন্দনবা হোৎনরি

ইম্ফাল,দিসেম্বর ৯(এস এন এস)ঃ লমদেং খুন্নৌদা লৈরিবা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লান্টকী ফিভম চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা য়েংশিনবগা লোয়ননা ইম্ফাল য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী পুথোক্লিবা সোলিদ ৱেষ্টশিং অসিগী প্রোৱ্লেম লৈহন্দনবা হোৎনরি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

লমদেং খুন্নৌদা লৈরিবা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লানগী খোঙচৎ অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা মফম অদুদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিনখি।

খোঙচৎ অদুগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা পাউমীশিংদা হায়, ষ্টেট অসিদা বাইওমেদিকেল ৱেষ্টশিং অসি নিংথিনা মেনেজ তৌদবনা মীওইবগী হকচাংদা শোক্লিঙাই ওইবা ফিভম অমা লাকহনলম্বা অদু নিংথিনা ট্রিটমেন্ট তৌনবা হৌজিক লৈরিবা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লান্ট অসিগী মথক্তা কম্মন বাইওমেদিকেল ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লান্ট অমা শানবা থবক পায়খৎপনি।

মসিদা হান্নগী লমদম অসিদা পুথোক্লিবা সোলিদ ৱেষ্ট অসি প্লান্ট অসিদা ট্রিটমেন্ট তৌবা ঙমদবা লেমহৌবশিং অদুসু ট্রিটমেন্ট তৌনবা থবক পায়খৎকনি।

ইম্ফাল মনুংদগী নোংমদা পুথোক্লিবা সোলিদ ৱেষ্ট অসি নোংমদা টন ১৩০ রোমনি। মসি হৌজিক লৈরিবা প্লান্ট অসিদা ট্রিটমেন্ট তৌরিবা অসিনা নোংবদা টন ১০০ রোম খক্তনি। লেমহৌরিবা সোলিদ ৱেষ্টশিং অদু অনৌবা প্লান্ট অসিদা য়ুনিট অমা হাংদোক্লগা ট্রিটমেন্ট তৌনবা থবক লৌখৎলগনি।

মীয়াম্না সোলিদ ৱেষ্টশিং অসি নিংথিনা পৈদুনা থুম্বীদুনা চায়খায়বীদনা থম্বীয়ু হায়না আপীল তৌখি। কম্মন বাইওমেদিকেল ৱেষ্ট অসি অথুবা মতমদা শাবা হৌরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

হৌজিক লৈরিবা প্লান্ট অসিদা মৈ পুথোক্লবগী থবক অসি অথুবা মতমদা থবক হৌনবা কন্নবা হোৎনরি হায়খি।

খোঙচৎ অদুদা অনৌবা প্লান্ট অসিবু লিংবগী থবক তৌগদৌরিবা নৌআমটেক প্রেন্যুরস প্রাইভেট লিমিটেদকী চীফ ওপরেটিং ওফিসার করন জজনা হায়, নৌনা পায়খৎকদৌরিবা কম্মন বাইওমেদিকেল ৱেষ্ট ট্রিটমেন্ট প্লান্ট অসিদা শিজিন্নগদৌরিবা তেক্নোলোজি অসি পেটেন্ট তৌরবনি লোয়ননা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ননা ক্লিয়ার তৌরবনি।

মসি নেসনেল গ্রিট ট্রিব্যুনেলগী নোমর্সতগীসু হন্থনা লৈরবনি। মসিদগী মীয়ামদা টোক্সিক ৱেষ্টশিং অদু পুথোক্লিঙাই লৈত্রে। চীফ মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা মসিগী প্লান্ট অসি লিংনবা থবক লৌখৎলকপনি।

মসিগী থবক অসি হৌজিক চেচাংশিং লোইশিন্নবা থৌরাং তৌরি। মসি হেক লোইবগা থা তরুক্কী মনুংদা মসিগী থবক অসি লোইশিন্নবা হোৎনগনি হায়খি।

থা তরুক্কী মনুংদা প্লান্ট লিংখৎপগা লোয়ননা মসিগী থবক পায়খৎকনি। মসিদা মপুং ওইনা লমদম অসিগী লাইরিক লাইশু হৈরবা নহাশিংদা থবক পীগনি। মখোয়দা অহানবা খুদোংচাবা পীনবা হোৎনগনি।

মখোয়না ট্রেনিং পীরগা তেক্নোলোজি অসিগী শিজিন্নবগী মতাংদা তাকপী তম্বীগনি। কম্মন বাইওমেদিকেল ৱেষ্ট মেজেনমেন্ট প্লান্ট অসিদা নোংমদা বাইওমেদিকেল ৱেষ্ট টন ১০০ থাগদৌরিবনি। মসি মখা তানা টন ৫০০দগীসুহেন্না চাউথোক্নবগী পান্দম থম্লি হায়খি।

পনবা য়াবদি লমদেংদা লৈরিবা সোলিদ ৱেষ্ট প্লান্ট অসি থা খরগী মমাংদা শঙ্গানবা থৌরাং তৌরম্লবা মতুংদা মতম অমত্তা পীদনা শঙ্গানবগী থৌরাং অদু তোকখিবনি। অদুম ওইনমক প্লান্ট অসিদা হৌজিক সোলিদ ৱেষ্টশিং ট্রিটমেন্ট তৌবগী থবকশিং পায়খত্তুনা লৈরিবনি।

ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা দিপ্যুটি চ্যারমেন ষ্টেট প্লানিং বোর্দ এস রাজেন, মণিপুর পোল্ল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দগী চ্যারমেন এল রাধাকিশোর, মাহুদগী ওফিসিয়েলশিং, কম্পনিগী মীওইশিং, এম এস পি দি সি এলগী ওফিসিয়েলশিং অমদি মণিপুর পোল্ল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি।

# এম এস আর সি গী চিয়ারপার্সন ডা. বিনোতাগী মথক্তা কমপ্লেন্ট থারকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ য়ুঠ ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস মণিপুরগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ ফজতোন, য়ুনাইটেদ এন জি ও মিসন মণিপুর ৱুমেন কম্মিটিগী কনভেনর এম সোবিতা অমসুং অতোপ্পা হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দর ১৯ না শক্তি লান্না শিজিন্নখি হায়বগী মরালদা মণিপুর ষ্টেট ৱুমেনস কম্মিসনগী চিয়ারপার্সন ডা. বিনোতা অমসুং সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসার ইন চার্জ মিষ্টর কিরনগী মথক্তা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী কোর্টতা কমপ্লেইন অমা থাঙ্গৎখ্রে।

য়ুঠ ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাটিসগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ ফজতোননা কোর্ট অসিদা থারল্লিবা কমপ্লেইন অদুদা পাল্লিবদি, 'হৌখিবা নবেম্বরগী তাং ২৬ তা এম এস সি দব্লিউ গী চিয়ারপার্সন অমসুং সেকমাই পুলিসকী ওফিসার ইন চার্জনা পি দব্লিউ দি মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎকী লোয়নবী মিষ্ট্রেস রেবিকাগী ময়ূমদা নমদুনা চঙদুনা হাৎকনি হায়না কিহন খঙনখিবগা লোয়ননা দিভোস দিদ সোই তৌহনখিবনি।

য়ুনাইটেদ এন জি ও মিসন অমসুং হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দর ১৯ গী অপূনবা লূপ ২০ না কোর্ট অসিদা থাগৎখিবা কমপ্লেইন অদুনা পাল্লিবদি, এম এস সি দব্লিউ গী চিয়ারপার্সন ডা. বিনোতানা সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী ও সি গা লোয়ননা রেবিকাগী মথক্তা চথখিবা থৌওং অদু নেসনেল কম্মিসন ফোর ৱুমেন এক্ট ১৯৯০ গী চৎন কাংলোনশিং ঙাক্তবনি। মরম অসিনা মহাক এম এস সি দব্লিউ গী চিয়ারপার্সনগী ফম অদু খুদক্তা থাদোক্কদবনি।

হায়রিবা কমপ্লেইন অনী অদু কুপ্পা য়েংশিনবগা লোয়ননা মণিপুর হ্যুমেন রাটিস কম্মিসনগী কোর্টনা প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট ১৯৯৩ গী সেক্সন ১২ গী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে।

লোয়ননা, কোর্ট অসিনা প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট ১৯৯৩ গী সেক্সন ১৬ গী মখাদা এম এস সি দব্লিউ গী চিয়ারপার্সন ডা. বিনোতাদা অমসুং দিপ্যুটি জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) মণিপুরদা ষ্টেটমেন্ট অমসুং রিপোর্ট ২০২০ গী জনুৱারি ৭ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্নবা খঙহনখিবনি।

কোর্ট অসিনা মখাতাবা প্রোসিদিংশিং জনুৱারী ৭ তগী চৎথনবা মতম লেপখ্রে।

# মেনপেক্কী শিন্থা...

*লমায় ১গী মখা...* পুল্লগা খন্ন নৈনগনি।

খন্ন নৈনবগী মীফম অসিদা লমদম অসিগী মীয়াম্না মপুং ফানা শরুক য়াবা ফঙনবগীদমক মেনপেকনা হান্না লাওথোকখিবা মীয়াম্না শিন্থা লেপ্পগী খোঙজং মতম খরগী ওইনা কোমথোক্লে। লোয়ননা ইহৌ অসিদা মেনপেক্কা লোয়ননা মীয়াম্না চঙশিল্লকপা খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবা লমদম অসিগী মীয়াম্বু থাগৎপা অমদি তৌবিমল খঙবা উৎচরি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসি হেন্না মরীক চুম্না ৱাখৈনবা অমা পুরক্লবগীদমক পাঙথোক্কদৌরিবা মীয়ামগী ওইবা মীফম অসিদা লমদম অসিগী মীয়াম্না শরুক য়াবিদুনা মপুং ফাহনবিয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# হরাউ মথোই কারবা ...

*লমায় ১গী মখা...*অসি য়ৌরকপনি। লমদম অসিগী মীয়ান্না হান্নদগী সেন্টরগী লৈঙাক্তা থাজবা লৈরমদবদু ঙসিদগী মীয়ান্না থাজবিরো। ষ্টেট অসিগী য়াম্না নুংঙাইবা মীৎকূপ অসিদা হান্নগী হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনসু কন্না হোৎনবিরম্বনি। ষ্টেট লৈঙাক অসিনসু য়েলহৌমী ঙাক- শেন্নবা মণিপুর পিপলস বিল এসেমব্লিদা পাস তৌখবা লৈখ্রে। অদুবু ঙসিদি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক অসিনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী নীংবা থুংহল্লে। হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ অমদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু মীয়ান্না থাগৎফম থোকই।

নুংঙাইবা মীৎকুপ অসিগীদমক হয়েং লৈঙাক্কী লোইশঙ, মহৈলোইশঙ অমদি ওফিস খুদিংমক ছুটি ওইরগনি। লোয়ননা আই এল পি দিমান্দ তাল্লকপদা শরুক য়াদুনা লাক্লবা ইমা-ইবেন মীয়াম অপূনবগী লৈঙাক অসিগা পূন্না হয়েং পব্লিক মিটিং পাঙথোক্তুনা সেন্টর লৈঙাকপু থাগৎপা ফোঙদোক্কনি হায়না ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরী সুরেশ বাবু অমদি এম এল এশিংসু শরুক য়াখি।

# মণিপুরদা আই এল পি চৎনহল্লগনি...

*লমায় ১গী মখা...* হোৎনবদা রুলিং অমদি ওপোজিসনগী মরক্তা অকনবা মওংদা য়েৎনবা থোরকপদগী ভোট তৌনবদা য়ানিংবা মশীং ২৯৩ অমদি য়ানিংদবা ৮২ ওইদুনা বিল অসি পার্লিয়ামেন্টতা পুথোকপা য়াহনখি। বিল অসিগী মতাংদা খন্নরকপদা অমিত সাহনা হায়খি, বিল অসিগী মতাংদা ৱাহং পূন্নমক্কী পাউখুম পীগনি। অদুবু মহাক্না পাউখুম পীরবা মতুংদা ওপোজিসন্না ৱাক আউট তৌরোইদৌবনি।

বিল অসি লোক সভাদা পুথোক্ত্রিঙৈদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মণিপুরনা নুংনাংলিবসি কোকহন্নবা থৌরাং তৌগনি। মদু বিল অসিগী শরুক অমদি ওইদবা য়াই। মদু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা বিল অসি পুথোকপা মতমদা লাওথোক্কনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখি।

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা দেলিগেসন অমনা অমিত সাহগা দিসেম্বর ৩ দা উনরবা মতুংদা মণিপুরগী ওইনা লৌখৎলক্কদৌরিবা খোঙথাং অসি এন্ট্রি এন্দ এক্সিট পার্মিট সিষ্টেম নৎত্রগা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম নৎত্রগা ইন্নর লাইন পার্মিট ওইবা য়াই হায়না লাওথোকখিবনি। অমিত সাহনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট পূন্নমক্কী মীহুৎশিংগা উন্দুনা বিল অসি এক্ট ওল্লবা মতুংদা রিফ্যুজি ময়াম অমা থোমজিলক্তুনা লমদম অসিদা খুন্দারিবা মীয়ামগী মরক্তা অচৌবা অহোংবা অমা লাক্কনি হায়না নুংনাংলিবা অদু কোকহন্নবা হোৎনবা লৈখিবনি। অৱাং নোংপোক লমদম অসি বাংলাদেশ, ম্যান্মার, ভুতান অমদি চাইনাগা ইন্টর্নের্সনেল বাউন্দরি তাইনরিবনি।

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা দেল্লিগেসন অদুদা য়াওখিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবি সিংহনা ফোঙদোকখি, মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং ঙাক শেন্নবা উপাই অমা পুথোক্কনি হায়না হোম মিনিষ্টরনা থাজবা ঐখোয়দা পীরকখি। ঐখোয়না লম্বী অসি হৌদোকখি। হৌখিবা ১৯৫০ দা চৎনরম্বা এন্ট্রি এন্দ এক্সিট সিষ্টেম অমুক হৌদোকপা অমা নৎত্রগা মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎহনবা অমা। হোম মিনিষ্টরনা এন্ট্রি এন্দ এক্সিট সিষ্টেমদি অমুক হৌদোকপদা খুদোংচাদবা লৈগনি। অদুনা আই এল পি ওইনা শাংদোক্লবা তৌগে হায়রকখি। মণিপুরগী ময়াম ঙাক শেন্নবা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

হৌজিক নাগালেন্দ, মিজোরাম অমদি অরুনাচল প্রদেশতা চৎনরিবা আই এল পি অসিগী মতুং ইন্না ষ্টেটশিং অসিদা চঙনবগীদমক্তা স্পিসিয়েল পার্মিট অমা মথৌ তারিবনি। সিষ্টেম অসি বৃটিশ রাজ লৈরিঙৈদা কমর্সিয়েল ইন্টরেষ্ট ঙাক্লবা মরু ওইনা থাউ অমদি চাগী পোখোক ঙাক্লবা অহানবা ওইনা হৌদোকখিবনি। মতম অদুদা মণিপুরদি নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইরম্বনি।

মণিপুরগী এক্টিভিষ্টশিংগী মতুং ইন্না মণিপুরনা আই এল পি অসি য়াম্না শাংনদগী তান্দুনা লাকপনি। মণিপুরগী মীশিং হেনগৎপগী চাং অসি ১৯৪১-৫১ ফাওবদা চাদ ১২.৮০ ওইখি। অদুবু ১৯৫১-৬১ দা চাদ ৩৫.০৪ দা হেনগৎখি। অদুগা ১৯৬১-৭১ দনা চাদ ৩৭.৫৬ হেনগৎখি।

মণিপুরনা পার্লিয়ামেন্টতা আই এল পি তানবা হৌরকখিবসি ১৯৮০ দগীনি। দিমান্দ অসি ২০০৬ দা অমুক হৌগৎলকখি। অদুগা ২০১২ দদি জেনরেল ষ্ট্রাইক্টনচিংবা হিংসা য়াওবা ইহৌ ওইরকখি। জুন ২০১৫ দা সাপম রোবিনহুদ কৌবা চহী ১৭ খক্তা ঙাইরিবা মহৈরোই ইহৌ অদুদা শিখিবগা লোয়ননা মতম শাংনা কার্ফিয়ুনচিংবা ফাও থমজিনখিবা লৈখিবনি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা মণিপুর আই এল পিনা কোনশিল্লগনি হায়বা ৱাফম পার্লিয়ামেন্টতা লাউথোক্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরদা ফোন তৌরক্তুনা হেক খঙহল্লকপগা ৱাফম অসি সি এমনা পাউমীশিংগী মাঙদা লাউথোকখি। মদুগা লোয়ননা বি জে পিগী ৱার্করশিং অমসুং মীয়াম্না মহাক্কী নৎত্রগসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ অনীগী ফোটো থেক্কৎতুনা হরাউ-মথোই কাবিনবা য়াথং পীখি।

থুনা য়াংনা ৱাফম অদুদা বি জে পিগী ৱার্করশিং দা য়ৌরকখি অমসুং ইম্ফালগী মরু ওইবা লম্বীশিংদা বি জে পিগী ফিরালগা লোয়ননা গাড়ীগী খোঙচৎ চৎখি। অহৌবা খোঙ্জেলদা ঈশৈ থারদুনা এম এল এ, মিনিষ্টরশিংনা তুং-ইন্দুনা চৎনখি। মফম খরদা অথুম-অহাওশিং মীয়ামদা য়েন্থোকখি। মফম খরদনা ধোন থিন্দুনা থাবল চোংনবগা লোয়ননা হরাউ মথোই কানখি।

# সি এ বি অমদি ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম

ন্যুজ দেস্ক

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ সিটিজনশিপ এমেন্টমেন্দ বিল ২০১৯ হায়রিবা অসি পাকিস্থান, অফগানিস্থান অমদি বাংলাদেশতা মখোয়না চৎলিবা লাইনিং অদুনা মরম ওইদুনা ওৎপি নৈবিবদগী ইনিদয়াদা লাক্তুনা চহী ৬ লৈরবা হিন্দু, খৃষ্টান, শিখ, পারসি, জেন অমদি বুদ্ধিষ্ট লাইনিং চৎপা মীওইশিং অদুবু ইন্দিয়াগী সিটিজন অমা ওইনা শকখঙদুনা সিটিজন অমনা ফঙফম থোকপশিং অদু চপ চানা পীবনি।

সি এ বি অসি চৎনহনবা য়ারোই হায়দুনা মায়কৈ কয়াদগী খোল্লাও কয়া লেপ্তুনা লাওদুনা লাক্লিবনি। বিল অসিনা লোনা য়াদনা চঙলকপা মীতোপশিংবু অখন্নবা লাইনিং খরদা য়ূম্ফম ওইদুনা ইন্দিয়াগী সিটিজনসিপ পীগনি হায়বসি মরম চাদে হায়দুনা অখঙ অহৈ কয়ানা ফোঙদোক্লরিবনি।

বিল অসি মরু ওইনা মশীং য়ামজদনা খুন্দারিবা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদমগী মীয়াম্না চাওনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাক্লি। করিগুম্বা বিল অসিনা লৈবাক শিনবা থুংনা চৎনখিবা তারবদি অৱাং নোংপোক লমদম অসিদা লৈজরিবা মশীং য়ামজদ্রবা য়েলহৌ ফুরুপশিং অসি মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না ফোঙদোক্লরিবনি।

নাকল অমরোমদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম অসিনা পীরিবা অসিদি ঙাক শেন্দুনা থম্বা অখন্নবা ষ্টেট নৎত্রগা মফম অমদা চঙবদা ওফিসিয়েল ওইবা দোক্যুমেন্ট অমা পীরগা অখন্নবা মতম অমগী ওইনা চঙহনবনি। মসিদা লৈশিনখ্রবা মীতোপ খন্দোকপগী ৱাফম য়াওদে।

হৌজিক ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনরিবা ষ্টেট অসি অরুনাচল প্রদেশ, মিজোরাম অমসুং নাগালেন্দনি। হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটকী মীওইশিংনা চঙবদা অমদি লৈবদা পার্মিট অসি মথৌ তারি।

ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম অমদি সিক্স সেদ্যুল চৎনবা মফমশিং কোনশিনদ্রগসু সি এ বি অসি ইনিদয়াগী অতৈ মফমশিংদা চৎনখিবা মতমদা ইন্দিয়াগী অতৈ মফমশিংদগী নৌনা সিটিজন ওইখ্রবা মশীং য়াম্লবা মীওইশিং অদুবু আই এল পি চৎনবা ষ্টেটশিং অসিদা চঙদনবা সিষ্টেম অসিনা ঙাকথোকপা ঙমগদৌরিব্রা হায়বা মীয়াম্না নাকল কয়াদগী হংনরক্লি।

# সি বি আই দা হান্না থিগৎহল্লম্লবদি ফগদবনি ঃগার্জিয়ানশিং

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন (এম পি এস সি) না কম্বাইন্দ কম্পেটিটিব ইগজামিসেন ২০১৬ বেঞ্চ অসি মণিপুর হায় কোর্ট অমদি ইন্দিয়াগী সুপ্রিম কোর্টনা ককথৎখ্রবা মতুং সি বি আই দা শিন্নদুনা থিগৎন্নবা ওর্দর থোকখিবা অদু ককক্ত্রিঙৈ মমাঙদা সি বি আই দা হান্না থিগৎহল্লম্লবদি হেন্না ফরমগদবনি হায়না ইগজামিসেন অসিদা মায় পাকখ্রবা কেন্দিদেটশিংগী গার্জিয়ানশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মায় পাকখ্রবা কেন্দিদেটশিংগী গার্জিয়ানশিংগী মরক্তগী শঙলাকপম গৌরিকুমার শর্ম্মনা হায়খি, এম পি এস সি না লৌবা ২০১৬ গী কম্বাইন্দ কম্পেটিটিব ইজামিনেসন অদু কুমজা ২০১৭ দা ফল লাওথোকখি। ইগজাম অসিদা খল্লবা কেন্দিদেটশিং ট্রেনিং তৌদুনা থবক তৌবা হৌরুরে। অদুবু চহী ২ মখায়রোমগী মতুংদা য়াম্না থাজদবা মওংদা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা ইগজামিসেন অসি মণিপুর হায় কোর্টনা ককথৎলে হায়না ওর্দর থোরকপনি।

মহাক্না হায়, কোর্টকী ওর্দর মতুং ইন্না কেস অসি সি বি আই না ইনভেষ্টিগেসন তৌদুনা থা ৩ গী মনুংদা লোইশিল্লু হায়বসি তরাম্না ওকই। মরম অদুনা ইনভেষ্টিগেসন অসি পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা লোইশিন্দুনা থিন্থবা তৌদনা অচুম অরান পুথোকপিয়ু। ইনভেষ্টিগেসন অসিদা অশোয়বা অরানবা য়াওরম্বা কেন্দিদেটশিং চৈরাক ফঙজসনু। অদুবু মরাল লৈতবা কেন্দিদেটশিংদি মখোয়গী পুন্সি কনবিয়ু।

মরী লৈনবা ওথোরিটি অমনা কেন্দিদেটশিংগী পাউখুম চে অসিরি ইভালুসন তৌবিয়ু। লোয়ননা সি বি আই গী ইনক্বারি অসি ইগজাম অসিদা মায়থিহৌরবা অমসুং মায় পাক্লবা কেন্দিদেট খুদিংমক্কী কোনশিনবিয়ু। লোয়ননা অশোয়বা অরানবা য়াওদবা কেন্দিদেটশিংগী করি করম্বা পান্থৈ থিবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনহন্নিংই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# নেসো, এমসুগী টোটেল সটদাউন হন্দোকপা ...

*লমায় ১গী মখা...*

চৎনরকপা মতমদা আই এল পি চৎনরিবা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা অকায়বা পীদ্রবসু আই এল পি চৎনদ্রিবা ষ্টেটশিংদা অচৌবা চৈথেং শোয়দনা পীরক্কনি। মসিনা ইন্দিয়া গর্ভর্ণমেন্টনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংবু তোখাই তোখাই তাহন্নবা অরোনবা এজেন্দা অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরম অসিনা নেসোগী বোদি অমসু ওইরিবা মেসুনা হান্না লাওথোকখিবা অদুগী মতুং ইন্না হয়েং দিসেম্বর ১০ গী টোটেল সটদাউনগী খোঙজং চঙশিনখিগনি।

লোয়ননা, হয়েং অসি ইন্টর্নেসনেল হ্যুমেন রাইটস দে লৈবা মরম্না থৌরম অসিগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং, অনা অয়েক অমদি লাইনিং লাইশোইনদি কোমথোক্কনি। অদুম ওইনমক লম্বীদা গারী অচৌবা চেনবা, কৈথেল কাবা য়ারোই, স্কুল কলেজ হাংবা য়ারোই। করিগুম্বা ৱাফমশিং অসি থওইদবা তারবদি মদুদা থোরকপা অফ ফৎতগী দাইত্ব মশানা পুগদবনি। লৈবাক মীয়াম্নসু লৈকাই লৈকাইদা থোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌবিয়ু হায়না মহাক্না আপিল তৌখি।

অমরোমদা ঙসি নুমিদাং এমসুগী হেদ ক্বাটরদা ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসনা রেদ চখদুনা এমসুগী জোইন্ট সেক্রেটরী ৱাই বিজান্দো, এস ভি সি বোদে, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ভি পি রঞ্জিৎ এমসু গী হেদ ক্বাটরদগী ফাগৎখ্রে। লোয়ননা খোঙজং হেন্না কনশিল্লগনি হায়রি।

# মীওইবা খুন্নাইগী হক খোঙ্গাওনবশিংগী মায়োক্তা মীয়াম...

*লমায় ১গী মখা...*

তাঙ্কক কয়া থম্মোয়নুংদা ওমখৎতুনা লৈরম্বা মৈগী চীংগী খোল্লাও অদু ১৬ শুবা চহীচা মনুং ফাওবা য়ুরোপ লৈবাকশিংদা মৈগী চীং ওইনা থিঙমদনা পোকখায়রকখি। ঈহৌ অসিনা ১৮ শুবা চহীচাদদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা য়ু কেদগী তোঙাননা নীংতম্না লৈনবা (১৭৭৬) অমসুং ফ্রান্সকী মীয়ামগী নীংতম লালহৌ (১৭৮৯) না লৈঙাক্কী অওৎ-অনৈ, নুংশি হৈতবা লৈঙাক কাঙলোন অমসুং মীনায় নায়থাংগী পুন্সিরোলদগী নাম্থোক্তুনা নীংতম্না হিংজনবগী হক তানবগী ঈহৌ ওইনা ঐখোয়গী মালেমগী লৈহাও চেল্লবা লৈমায়সিদা পোক্লকখি হায়রি।

মালেমদা লৈরিবা ফুরুপচা খুদিংমক মরোমদোম লৈঙাকচদুনা নীংতম্না হিংজনবগী হক লৈ। মসিবু য়ু এনগী ট্রেটি ওইরিবা ইন্টরনেস্নেল কভেনেন্ট ওন সিভিল এন্দ পোলিটিকেল রাইটস (আই সি সি পি আর) অমসুং ইন্টরনেস্নেল কোভেনেন্ট ওন ইকোনোমিক, সোসিয়েল এন্দ কলচরেল রাইটস (আই সি ই এস সি আর) অনীমক্কী আর্টিকেল অহানবশিংনা মালেমগী লৈবাকশিংগী নাম্থোকফদ্রবা মথৌদাং ওইনা পল্লি হায়রি।

অদুবু ইন্দিয়া লৈঙাক্নদি কুমজা ১৯৭৯ দগী ঙসি ফাওবা হায়রিবা রাইট অসিদা অথিংবা (রিজার্ভেসন) থমদুনা লাক্লি। ইন্দিয়ানা মালেমগী ওইনা লৈরিবা চৎন-কাঙলোনগী ওন্ন- তৈনবদা লৈবাক মনুংগী মরোমদোম লেপ্পগী হক (ইন্টরনেল রাইট টু সেল্ফ-দিটরমিনেসন) দি য়াই, অদুবু মপানগী মরোমদোম লেপ্পগী হক (এক্সটরনেল রাইট টু সেল্ফ-দিটরমিনেসন) বুদি অথিংবা (রিজর্ভেসন) থম্মী। মালেমগী লৈবাক পূন্নমক্না, ইন্দিয়ানা কোভেনেন্ট অনীমক্কী আর্টিকেল অনীমক্তা থল্লিবা অথিংবা অসি লৌথোক্লবা হায়বত নক্তনা ফ্রান্স, জরমনি, স্বিদেন অমসুং পাকিস্থাননসু ইন্দিয়াদা অথিংবা অসি লৌথোক্লবা অকনবা প্রেসর পীরি। অদুম ওইনমক, করিগুম্বা অথিংবা অসি লৌথোক্লুরবদি কাশ্মীর অমসুং মণিপুর (কংলৈপাক) য়াওনা ৱেসিয়া লমদম অসি মখোয়গী খুবাম্নুংদগী নাম্থোক্তুনা মনীং-মখা তমখ্রগনি হায়বগী মিপাইজবনা মালেমগী খোল্লাও অসি তাদনবা ইন্দিয়ানা ইকায়-ইকি কয়া হুন্দোক্তুনা নকোং মেনশিন্দুনা খাঙলি। ইন্দিয়ানা হৌজিকসু মনীং-তম্না লৈঙাকচনিংবা ফুরুপচাশিংগী রাইট টু সেল্ফ-দিটরমিনেসনবু খোঙ্গাওনদুনা লৈরি হায়নসু মরাল শীরি।

লোনা য়াদে হায়না লাউথোকখ্রবা অপূন লূপ অসিগী চেরোল অসিনা হায়, আই সি সি পি আরবু মওং চুম্না পাঙথোকপগী থবক য়েংশিল্লিবা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননা কুমজা ২০১৯ গী জুলাই ১ দগী ২৬ ফাওবা ফমখিবা ১২৬ শুবা সেসনদা ৱারেপ লৌদুনা চৎলিবা কুমজা ২০১৯ গী ওগষ্ট ২২ দা দাদোরকপা লিষ্ট ওফ ইশু প্রাইওর টু সবমিসন ওফ ফোর্থ পেরিওদিক রিপোর্ট ওফ ইনিদয়াগী পেরগ্রাফ মরিশুবদা ইন্দিয়ানা কোভেনেন্ট ওফ আই সি সি পি আরগী আর্টিকল অহানবা (রাইট টু সেল্ফ দিটরমিনেসন) দা থল্লিবা অথিংবা হন্দোকপগী ৱাফম কম্মিটিদা রিপোর্ট পীরক্নবা অমুক হন্না খঙহল্লকখি।

ইন্দিয়া কন্সটিট্যুসনগী সভেন সেদ্যুলগী লিষ্ট ১ ইন্টি ৫৩, ৫৪ অমসুং ৫৬ না মণিপুর (কংলৈপাক) তা ফংলিবা নেচরেল রিছোর্সেস অসি য়ুনিয়ন লিষ্টতা চনহন্দুনা য়ুনিয়ন গভণমেন্ট মতোমতনা নেচরেল রিছোর্সেসশিং অসিগা মরী লৈনবা লো পূন্নমক শেম্বা ঙমহল্লি। মরম অদুনা মণিপুর (কংলৈপাক) মীয়ামবু মশাগী নেচরেল রিছোর্সেস পূন্নমক অসি মশাগী কান্ননবা মওংদা অমত্তদা শীজিন্নবা ঙমহন্দে। অসিগুম্বা ইনিদয়াগী সিষ্টেম অসি ইন্টরনেস্নেল কোভেনেন্ট ওন সিভিল পোলিটিকেল রাইটস (আই সি সি পি আর) অমসুং ইন্টরনেস্নেল কোভেনেন্ট ওন ইকোনোমিক, সোসিয়েল এন্দ কলচরেল রাইট (আই সি ই এস সি আর) অনীমক্না য়াওরিবা আর্টিকল ১(২) বু খোঙ্গাওনবনি। আই সি সি পি আর অমসুং আই সি ই এস সি আর অনীগী আর্টিকল ১(২) গী মতুং ইন্না মণিপুর (কংলৈপাক) মীয়ান্না মশাগী মরমদমদা মহৌশাগী ফংজরক্লবা নেচরেল রিছোর্সেসশিংবু মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক শীজিন্নবগী নীংতম্বা অদু লৈ। অদুবু ইন্দিয়ানা নেচরেল রিছোর্সেসশিং অসিগা মরী লৈননা লো শেম্বগী মতীক-মঙম অসি য়ুনিয়ন পার্লিয়ামেন্ট মতোমতদা পীবগা লোয়ননা থবক পাঙথোকপা ঙমবগী মতিক-মঙমসু য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা পীশিনবদগী হীরমসিদা ষ্টেট লৈঙাক্কী মতিক-মঙম অমত্তা লৈহন্দে।

নাকল অমরোমদা, ইন্দিয়াদা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী মরক্তা, অৱাং নোংপোক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিং অমসুং মণিপুর (কংলৈপাক) বু ইন্দিয়া লৈঙাক্না হেক হৌরকপদগী মান্নবা মীৎয়েং ঙসি ফাওবা য়েংবা ঙম্লক্ত্রি।

ইন্দিয়াগী মপুং ওইবা অরয়ান-দ্রাভিদিয়ান রেসতগী তোপ- তোপ্পবা মোঙ্গোলোইদ রেস অমা ওইরুবনা কুমজা ১৯৪৭ দা ফমখিবা ভারতকী কন্সটিট্যুসন শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরকখিবা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুয়েন্ট এসেমব্লিগী দিবেটশিংদগী হৌরদুনা ঙসি ফাওবা অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা মীয়াম অসিবু ইন্দিয়া লৈঙাক্না মতম চুপ্পদা চিংনবা-মান্নদবা খেন্নবা মীৎয়েং য়েংদুনা লাক্লি হায়নসু চেরোল অসিনা মরাল শীরক্লি।

মণিপুর (কংলৈপাক) অমদি অতৈ অৱাং নোংপোক লমদমদা মশাগী মপূং ফাবা ইন্দষ্ট্রি, শেন্মীৎলোনগী মচাক-মথুম অমদি মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা শেন্মীৎলোন ওইহনবা ঙম্বা থৌরাং অমত্তা মপূং ফানা পায়খৎত্রি। মসিনা লমদম অসোমগী মীয়ান্না ইনিদয়াগী অচৌবা সিটিশিংদগী পুশিল্লকপা পোৎলম (কম্মোদিটিজ) শিং য়াওদ্রবদি হিংবা ঙম্লোই হায়না খন্নরি হায়রি।

ইন্দিয়াগী লান্মীনা ওৎপী-নৈবিরবা মীচম-মীয়ামশিংগীদমক খোল্লাও লাউজরিবা হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দরশিংবু অতৎ-অখম লৈতনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মাগী লান্মীগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা এজেন্সিশিং শীজিন্নদুনা কিহন-খংহনবা, ওৎপা- নৈবা, শেমজিন-শাজিনবা মরাল পীশিল্লগা হাৎপা, ওৎ- নৈরগা হাৎপা, ফাখ্রগা মশা থিবা খঙহন্দবা, শোয়নাইহনবা অমসুং নমথদুনা মখল-মখা কয়াগী মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থবক লেপ্তুনা চংখরি। পোলিটিকেল দিসিদেন্টশিংবু খেন্ননা য়েংবা, হন্থনা য়েংবা অমসুং তাথি-তাওইনা তৌবগী থৌওং অসি আই সি সি পি আরগী আর্টিকল ২৬ শুবনা য়াদে, অৱাবা তারবশিং অসিগী হকশিং নীংথিনা ঙাকপী- শেনবিগদবনি হায়রি।

অদুবু ইন্দিয়ানা লমদমসিগী পোলিটিকেল দিসিদেন্ট কয়াবু মখূৎ চল্লবা মতুংদা পোলিটিকেল প্রিজনর অমগী ফংফম থোকপা হক পূন্নমক মৎতুনা মমল লৈহন্দনা তমথিনা ওৎ- নৈরগা মীহাৎ থিনা হাৎলি। অদুগা মখোয়গী লান্মীবু পাকিস্থানগী লান্মীনা কারগিলগী লানফমদা মীহাৎ থিনা হাৎখিবা মতমদনা জেনেভা কনভেন্সনগী কাঙলোন থুগাই হায়দুনা মালেমগী মীয়ামদা কোইরাও লাওদুনা ৱাকৎলি।

ইন্দিয়ানা কনভেন্সন এগেনষ্ট টোরচর রেটিফাই লৌদ্রবসু, মতম পূন্নমক্তা খোঙগাওনবা য়াদ্রবা মসিগী কাঙলোন (রুল)শিংবদুসু লেপ্তুনা খোঙগাওন্দুনা লাক্লি। মখল খুদিংমক্কী ওইপা-নৈবা (টোরচর ওর ক্রুল, ইনহ্যুমেন ওর দিগারদিং ট্রিটমেন্ট) অসি অসি সি সি পি আরগী আর্টিকল ৭ শুবনসু অথিংবা থল্লি। মসি ইন্দিয়া লৈঙাক্না ঙাকফম থোকপা, চত্তবা য়াদ্রবা কাঙলোন অমনি মরমদি অসি সি সি পি আর অসি ইন্দিয়ানা ১৯৭৯ দা রেটিফাই তৌখ্রবনি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়োক্তা মণিপুর (কংলৈপাক)গী নীংতম্বা হঞ্জিন্নবা হোৎনরিবা য়াৱোল্লোইশিং ফারগা চৎলবা মতুংদা ওইপা-নৈবা, তাথি, তওইনা তৌবা ১৯৪৯ জেনেভা কনভেন্সনকী কম্মন আর্টিকল ৩ শুবনা য়াদে। কম্মন আর্টিকল ৩ শুবা অসি মতম পূন্নমক্তা ইকাই খুম্নগদবা কাঙলোন অমনি, মরমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না ১৯৪৯ গেনেভা কনভেন্সন মরিমকপু রেটিফাই তৌদুনা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টনা কুম ১৯৬০ দা পাস তৌরবা মতুংদা জেনেভা কনভেন্সন এক্ট চৎনবা হৌখ্রবনি হায়রি।

ঙসি মালেমগী ওইনা অচৌবা, মীশিং য়াম্না ফুরুপ লোনশিংনা পীরকপা চৈফুশিংনা মরম ওইদুনা অপীকপা মীশিং য়ামজদবা য়েলহৌমীশিংনা নঙজবা য়েলহৌলোল কয়া মালেমগী লৈমায়দগী তপ্না তপ্না মুৎশিলক্লি। মসিগী মহৈ ওইনা ১৯৫১ গী মীকোক থিবদা য়াওরম্বা লোন ৪৫ ১৯৬১-৭১ গী মীকোক থিবদদি খোঙ্গুল মুৎখ্রে। মসিগী অচৌবা মরম অমদি অপীকপা মশীং য়ামজদবা য়েলহৌমীশিং অসি অচৌবা মীশিং য়াম্বা ফুরুপশিংগী খয়াৎতা তাখিবদগীনি।

অসিগুম্বা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফীভম অসিদগী য়েলহৌলোলশিং অসিবু কন্নবগীদমক ২০১৬ দা লৌ-খবা ৱারেপ অমগী মতুং ইন্না য়ু এন ২০১৯ বু ইর্ন্টনেস্নেল ইয়র ওফ ইন্দিজিনিয়স লেঙ্গুৱেজ হায়না লাওথোক্লি। অদুবু য়েলহৌলোল ঙাংলিবা ৱেসি লমদমগী য়েলহৌমীশিং দি য়ু এননা পীবা য়েলহৌমী অমা ওইবগী ফঙফম থোকপা মখল খুদিংগী হকশিং লোই মপু ইন্দিয়ানা নমশিন্দুনা থম্বদগী মালেমগী লৈমায়দগী মুৎপা য়াওশিল্লক্লে। মসিগী মথক্তা ইন্দিয়া সি এ বি গুম্বা রেসিয়েল ওইবা লো কয়া শেমদুনা য়েলহৌমীশিং মালেমগী লৈমায়দগী কাঙখুল মুথৎনবা ললোং কয়া লৌখৎলক্লি। মসি ৱেসি লমদমগী মীয়ামগী হিংবা নৎত্রগা শিবগী ৱাহং নি হায়নসু মখা তারক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইরমদমসিদা ৱেক লো কয়া থমজিন্দুনা ইরৈচশিংগী হিংবগী হক মৎপীরিবা লোই লৈঙাক মপুগী অরোনবা অজেন্দাগী শরৌ অসি মুন্না খঙমিন্নদুনা অমসুং মদুবু তেমশিনমিন্নদুনা ঐখোয়গী অপুনবা য়াইফবা তুংলমচৎ পুরকপা নৎতনা মচোই তানা খোঙজং চঙশিন্নদুনা পান্দম তানবদি কৈদৌনুংদা অফবা অচুম্বা মায় পাকপা পুরক্লোই হায়বসি কোরকোমগী থাজবনি। অসিগুম্বা চাউনা মাঙ তাক্লিংঙাই ওইরবা লোই লৈঙাক্কী লৌনম নমথাক্কী মায়োক্তা পুন্না চঙশিনমিন্নরবতদা ঐখোয়না পাল্লিবা অমসুং তাল্লিবা মীওইবগী হক ফঙবগী পান্দমশিং অদুমক ঐখোয়না ফঙগদবনি হায়বসি মালেমগী মীওইবগী হক্কী নুমিৎনা লাকপসিদা ঐখোয় পুন্না নীংশিং মিন্নরসি।